সুরগী রাংমদা

ইবোতোন

সুরঙ্গী বাংসদা

ফোংজবী —


ডব্লিউ ঃ অঙৌবী

শংজমৈ থোঙাম লৈকাই, ইম্ফাল ।

অহাম্বা ফোংবা

ডিসেম্বর, ১৯৮৩ ইং

মশিং ১০[illegible]



মনিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী

অয়াবা শেলগী মতেংনা ফোংজবা ।

হক পুম্বা অইবগীনি

মমল লুপা ৮.৫০ পৈঃ

ছাপা নম্ফম ঃ ডি রেডা প্রেস

কৈশামথোং বাজার, ইম্ফাল

সুরগী বাংমদা

(শৈরেং ৮৫)

থোঙাম ইবোতোম

শিংজমৈ থোঙাম লৈকাই ইস্কাল।

নোঙ্গ য়াহৈ থরদং

সুরগী য়াংমদা অইবগী অনিস্সুবা লাইরিক্নি। মথল অসিগীনা অহানবনি। লাইরিক অসি ফোংনবা হোৎনজবদা য়াহৈতনা ওইরবস্সু পুক্লিং থৌগৎপিখিবা অমদি খুৎই ওইরিঙৈদা পাবিখিবা মরুপ মপাং খিবিক অমদি মসিগা হেক মরি লৈনখিবশিংগী মকমদা তৌবিমল খঙবা উৎচারি।

থোইদোক্না রেবা প্রেস কী থবক পুবিরিবা ইচিল ইনাওশিং অমদি ইচল ইচেশিংনা লাইরিক অসি তেল্লবা মতমগী মনুংদা পুথোক্নবা হোৎনজবদা অরাবা শরুক য়াবিখিবগীদমকস্সু শিংঙমদ্রবা লমন তোন-শিঞ্জরবনি।

অমনা মনিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা লাইরিক অসি লৈবাক খ্বাইগী মাংদা পুথোকচনবা হোৎনজবদা অয়াবা শেলগী মতেং পীনবীবগী-দমকস্সু লোইশং অসিগী থৌবুরেল অমদি ইবুংঙো ইবেম্মশিংগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎচরি।

অরোইবদা লাইরিক মচা অসিবু মৈতৈ সাহিত্য লৈকোলগী লৈচল অমা ওইনা লৈবাক খ্বাইনা লৌশিনবিরবদি অইবগীদি হোৎন-জমনগী মহৈ য়াল্লবনি।

— অইবা

খুদোল তমজবা

ঐগী মুংশিজরবী ইচেতোন
কোলোয় মিংলেন্দি ইবেমপিশক ॥
খাঙজুপকী তীলনা চীক
পুন্সি লমদাং তেনগ্রবী ।
নপ্বানা খুদোল তমজরকই
সুরগী খাংমদা নাচোমসে ।
মবুং অতোম্বা তম্ফাজাওদম্নু
মুংশি য়াম্বা পাউদম্বীয়ু ।
লাইরম্লেন্দা থেংনবা কান
পুন্না থাবী শানবা কান ।

নপ্বা

ইবোতোন
হিয়াঙৈ ২৫ নি; মুথংকৈথ।
তাং ৩০। ১১।৮৩ ইং

লাচন লামাই

লাশিং-লামাই শৈরেংগী মমিং

সুরগী খাংমদা

খুরুমজবা

নিজবি ইমা শিরেমা।
থাখলগী লমজিং শীনবিয়ু।
খোর্জৈ মমাই চুমবিয়ু।
মচাগী লৈয়েংবা জোংবিয়ু।
খুরুমজবি ইমা লৈরেমা।
মৈতৈ লোনগী [illegible]বিয়ু।
মৈতৈ সাহিত্য চাওখৎহনবিয়ু।
অসেংবা ইচম ওইহনবিয়ু।

নবা শৈরোল

হারিনা নিং নিং
চরোইনা তে তু
কাক্লা কাক কাক
তেনবানা তে তে
থোইমুনা গুন গুন
মপুগী মিথৈবু শোক্লবিরে ॥
মচা ওইবগী লৈয়েংশা
শৈরোল শৈথা শৈডংনা
অঙাংগী নংবু মিতাংহনা
নমুক কৈনা ওনবাসিদা
পুন্সি [illegible] পাংলবা
তোরবান [illegible] চুকজবিকে ॥

নোংঙাম্লকপদা

নোংপোক মাইকৈ ঙাল্লক্লে
কোয়ৌ মশেক উরক্লে ॥
মালংনা লিরি হুমক্লে
কাক্কী ল্যানবাও চেল্লক্লে ॥
চয়োইনা তে-তু খোংলক্লে
লৈমাংনা ফুগাইনা শাংলক্লে ॥
খোইমুনা হংনা পাইরক্লে
মপুগী গুণবু শরুক্লে ॥
অঙাং নাবা ওইবনা
(পংলেমগী কৈরা থাহুনা)
লোংমগী শিম্বা পায়রক্লে ॥
অঙান লৈমগী মমাংদা
অমত্তা লাম্মী মাইথিরে ॥
মাইকৈ পুবা ঙানবদা
নুংকিংগী অমথা কোয়দে ॥

ঐখোয় অমত্তনি

মীওইবা জাতিদি ওইরি ।
মশেল খেন্না উনরি ।
হিংবা ওন্নবদি হোৎনরি ।
কাংলুপকী চৎনবী খায়নরি ।
চৎনবী অমত্তা মান্নদরি ।
ক্রিজেং চাকচা তিন্নদরি ।
লাইনিং লম্বী তোম্নরি ।
লমচৎ ব্যবহার খেন্নরি ।
মীওই মীতৌ তোংগান্নরি ।
থম্মোই লাইমন ওইনরি ।
য়াথল পোৎলুম পুনরি ।
তৌগবা শক্তি উৎনরি ।
মালেমদা মীওইবা ওইনদি ।
জাতিবি অমত্ত ওইনরি ।
ঐখোয় পুন্না শেম্বিরি ।
তাইবং মপুনা তান্নিরি ।

নিংশিংবা

কুয়গ্রবমি কুয়গ্রবা
নোংমা খঙহৌদনা নিংশিংলকই
নিংশিংলুবদা খঙহৌদনা
পুক্নিং লাকশিল্লকই
হয়াও তুজুংঙকই !
নিংশিংবগী ঈথক্রা
ঈপোম ঈরৈগা লোয়ননা
কন্না কন্না য়ৈরকপদা
কায়রগদবোই নিংই খল্লোই
খাঙবা ঙমদে খল্লোই !!
মিংলুপ্পী পিন্নাংস্থ খাল্বা ঙমদে
পুম্নমক অমত্তা ওইখিবগুম লিংলকই
মতম্না ঙম্নমক অমত্তা ওইখিরবী
নিংশিংবগী মশেক খাখল অঙকপনি
ঙমজেনে নোংখাংগী মশেক মঙান্নবীবু !!।

তাইবং মী

অঙোবা মাগী ঈস্সু ঙাংই ।
অমুবা মাগী ঈস্সু ঙাংই ।
ফজবা মাগী শরুস্সু ঙৌই ।
অথিবা মাগী শরুস্সু ঙৌই ।
নিংথিবী মাগীস্সু থম্মোই পাল্লি ।
শকহেনবী মাগীস্সু থম্মোই পাল্লি ।
পুক্নিং ইস্ত্রীর পুম্নমক মাগৈ ।
হকচাং কয়াহ ঙম্নক মাগৈ ।
ঐখোয় পুম্বু মাননা শেম্বিবনি ।
মীনি ঐখোয় তাইবং মীনি ।

ঘুরানগী জগোই

মায়াগী দেহেনি খঙনা কাওখিহুবা
মাগী থোৎলবা হকচাংবু কল্লকউরি।
মর্তম কুয়নগীস্থ নত্রবা মহাক্তো
ঐগী পুন্সিগী ওইনা খল্লুরি।
মিকুপ অমত্তংগী ওইবা পুন্সিদস্থ
অচান মিয়াই কল্লক য়েংথিনরি।
অমমস্থ মত্রবা তেল্লবাঁ পুন্সিদস্থ
মাগী নংগী ঐগী খায়নরি।
তেল্লবা ঐগী পুন্সি মিকুপ্তস্থ
পুন্সিগী লানকমসিদা হিংনবগী লাঙ্গেংনরি।
পুম্নমকসিবু কুপশিন্দুনা থম্লি মায়ানা
মায়াগী দেহেনি তাইবংনা কাউনরি।
মাক্সাদি ওইরবা অন্নুক্তি তেল্লবা
মমলদি 'নাইত্রবা মীওইবগী পুন্সিনি।

ঈশ্বর

সুমিৎ কোটি লিশিং কয়াম্থু থোকসন্নু
লোম্না ফোংনা তৌবা থবক্তো অঙাম্বদা॥
শুক শুমা মম্লবা অহিং লক্ষা ওইসন্নু
লোম্না ফোংমা তৌবা থবক্তো অমম্বদা॥
অঙাম্বা মহাক্তুদি উরিনি লোইনমক শিংশিংনা
অমম্বা মহাক্তুদি খঙলিনি ঙম্নমক মরিক চুম্না॥
অঙাম্বা কৌবা মহাকস্থু প্রকৃতিগী শক্লোম্নি
অমম্বা কৌবা মহাকস্থু প্রকৃতিগী শক্লোম্নি॥
প্রকৃতিগী মাম্নদবা শক্লোন অনি উৎচবতনি
অমম অঙান অমত্তনি প্রকৃতি মশামক্নি॥
প্রকৃতি মশামক ঈশ্বর মহাকমক্কী শায়ননি
ঈশ্বরমক্কী শায়ন নত্তে ঈশ্বর মশামক্নি॥
অমমম অঙাম্না ওইবদো লেংদবা শাক্তি
তাইবংগী মপু ঈশ্বরনা ওইবনি শাক্তি॥
উৎতুনা মুংঙাইথোকশন্নম্নুসি ঐথোয় লৌনমচাওবা মীওইবনি
অয়েম্বদস্থু বারগন্নুসি ঐথোয় লৌশিংচাওবা তাইবংনি॥
ঐথোয়গী থুক্তা ঈশ্বর মহাক লৈরিবনি
পুম্নমকপু য়োকপিবনি ঙম্নমকপু কোম্বুনা থম্নিবনি॥
নিংশিংলসি ঈশ্বর মহাক্তি মহাকী পুংশেম্নমুংদা
ফোংদ লোম্না শুম্না লেংদনা লৈরিবনি॥

মী অমসুং শা

হৌগ্রবা থৌদোক রাখোক কয়ানি
ঙসিগী থৌরম পরেং পাংথোক্লিংঙাইনি
হয়েংগী থৌরমসু ঙসিনা য়াংথোক্লিংঙাইনি ॥

ঙরাংনা হৌগ্রকহুনি ঙসিনা ঙহৌরিবসিনি
হয়েংনা লাকদৌরিবহুনি হয়েংগীসু থনগনি
ইপা ইপুশিং মীয়াম্না মীয়ম্নানি ॥

ঙরাং ঙসি হয়েং অমন্তনি
খুৎশম্না চৎমিন্নবনি ভংলু খানকদরনি
চাওথংলবা সমাজ অমদনা উগমনি ॥

সমাজ অচুম্বক ঐখোয়গী ইরন্দি
ঐখোয়গী হায়রবদি মীওইবা জাতিগীনি
মীওইবা জাতিগী হায়রবদি জগৎসিমকীনি ।

সমাজহুনা থন্দ্রবদি হাখল য়াসিনি
শেংলবা অভিয়া কৈচিন্না কুপশিন্নানি
মতুংগীদমক ঐখোয়-মী শইশনবনি ॥

মরুপকী মফম

মীনুংশিনা থল্লবা থম্মোই মাগী মপাওগোল
লংলরোনে নাপ য়ৈনা মুংশি খোম্থাংনা ।
শুক্কাংলরোনে ঐগী তং-তাব্রবা পুক্নিংসে
মেমহল্লরোনে ঐগী পল্লেপ্পকম লৈত্রবা রাখলসে ॥
কাজিল্লরোনে পোথাফম খণ্ডত্রবা ঐগী থম্মোইসে
থেমজিল্লরোনে অচুম্বা লম্বীদা লম্ফাংলবা তাইবংসিদা ।
চোংহল্লরোনে য়েন্নিং পুন্সি ঐগী নোহোবা
তেকখংহল্লরোশে শিরুম মারুম্বা পুন্সি পামেলসে ।
খিকপিদুনা লাইজ খিকলেম মরুপ ওইব-ও
ম লংদা পাওগেঞ্জরি লৈচিলদা পাংথাংজরি লোমা ।

ঐ তুত্তিনি

ঐনা সিদা লাকপসে কনাদমু হায়দোকলুমু।
নংগী আত্মাবু মশক খঙনবা লাকপনি॥
নংগী পুন্সিবু অর্থ হন্দোকপা কুম্নকপনি।
মী ওইবা মীওইবগী শক্তম লাকইবনি॥
মীনা মী ওইগনি অতোপ্পমা ওইফদবনি।
ঐবু কো-ইন ইম্মরি চিত্রগুপ্ত কৈবা লাইনা॥
মিকুপ খুদিং শেম্মবিরি ঐবু লোইনববনা।
খোংথাং খুদিং য়েংবিরি শোইখিদনবা মপুনা॥
ঐনা লাক্লিবসে লোইনরকই থোগাই কয়া।
চাওখৎলবা সমাজ অমা শেম্বা লাকপনি॥
অশেংবা য়াব্রানা লোইবদুনি মুংশিনবা থম্মোইগী।
লিংখৎকদোরিবনি মালেম অসিদা, ইরৈবাক অসিদা॥
কনানা কনাগী মীরৈবাকচানো কনানা ইরৈবাকচানো।
খঙলে মীতনা শেম্বনি, মীতনা থুগাইবনি॥
ঐগী মতম লোইরে, হল্লগে ইয়ুমদা।
থোগাই পুম্বা পাংথোক্লম্লে, মপুনা কোরে॥
বিদায় পীবিয়ো পলেম-পম্থোনা ঐদি হল্লগে।
মিৎতগী পিবু তানা লৌজরে বিদায়॥
মুংশিজে লোয়নরম্বা শাগে নাতে, ইচা-ইশু।
মরি-মতা খুদিং, মরুপ-মপাং॥
ঐনা সিদা লাক্লম্বসে কনাদমু হায়দোকলুমু।
ঐ তুত্তিনি, ঈশ্বরগী অচম্বা মম্নাইনি।

নিজবা

সিংশিং নিংশিং কপ্পরোই
বায়ো বায়ো খাঙলমোই ॥
খঙসিং খঙসিং খঞ্জমদরে
উসিং উনিং উংমদরে ॥
কয়ম হাম্বনা ভুম্বিদনো ।
ঐগী তুংগী পুন্সিসে ॥
হৌরবা পুন্সিদি হৌখ্রে
তুংগী পুন্সিগীদমক মাংতক্রে ॥
হায়বিরো তাকপিরো ঐঙোন্দা
পুন্সিগী ফিদম লমজিং ॥
শাংনবগী থৌরাংগী পাকল
পীনবিরো ইথৌনা হান্নগীরো ॥
ইবুংঙোগী খেংজাদ নঙনমি
ইপাঙল ইথৌনা লৈনরদে ॥
শাংরবনি থম্মা তাকপিরো
থুরুমজরি চংজরি নথুম্লাখাদা ॥

কাম্নন কিজং মরুমবা

কাওগে হায়রা কাওঙমদরে
নিংশিংশি হায়রা থাওঙমদরে
মুংশি নংবু তারিবরা
মুজাগী বারা ইপাঙখোলসে ॥

নংমক্তুনা ঐবু মুংশিবিরবা
অরেপপা পুকচেলমক্তা ওইরবা
ইমা ইপ্যাগা তেমশিংনরিবা
ঐমক্তনা লেপ্পমক ডমজগে ॥

ঙসিগী তাংলো অথেংবদা
পাখংগী খোম্লেন মংলানচাহুদা
উবিয়ুকো- পাংজত্রবীগী শক্তমসে
মুজাগী থবাই ওইরিব-ও ॥

লেপ্পবা ঐগী পুকচেলসে
শরুবা ঐগী বাশকসে
রৈরুমসল্লু থম্মোইগী তারদা
ঙংলুরসল্লু থম্মোই লকাম্লুংদা ॥

থবাইগী মবুংঙো নহাকপু
চিংন পরৈ হৎথিরো
পংলবীবু লাম্না লৌবিল্লু
ঐগী বাশক্তি অরেপপনি ॥

মায়বা শক্তমগী মায়দবা শুন

উরে উরে খঙলে খঙলে।
ইশা ইতোমতনা উকা ওইরম্লে।
ইদোম ইথন্তা খঙবা ওইরম্লে।
মিং উনা মাদি উবিরমক্রে।
না তানা মাদি তাবিরমক্রে।
খঙনা খঙনা মাদি খঙবিরমক্রে!
পুক্লিং হকচাং থবাই থমক্রে।
মাগীস্সু থম্মোই অমা লৈবনি।
ঐগীস্সু থম্মোই অমা পাঞ্জবি।
থম্মোই থম্মোই মমিংদি মমাঙৈ।
থম্মোইগী অথম্মু অহুম মথঙৈ।
অহুমু থম্মোইনা থম্মোইবু উবিরমক্রে।
থম্মোইনা থম্মোই ঐগী খঙবিরমক্রে।
ঐগী থম্মোই মাগী থম্মোই।
লৈয়ে খেয়্রবা উয়ে ঙসিদি।
উয়ে মায়দনা খঙলেনে ঙসিদি।

মীওইবদি ফজবগী পুক্তারিনি

মীওইবনা ফজবা পাম্মী।
মহুগীদমক লৈতেং চংই॥
চেরৈগী ফুলগ্লাস শেম্লে।
মনারৈবুনা গমলাকুদা থানে॥
পূম্নমক লৈতেংগী শেম্বনি।
ওম্নমক ফজনবা হোৎনবনি॥
শুক্নাংনবগী নিংথিবা খুদোলনি।
অহুবু নিংশিংবিদে বাসন্তিদি॥
চেরৈনা করিদা হেম্নগনি।
চেরৈগী লৈনম লৈতেদো॥
মনারৈনা করিদা ফজনি।
লৈনা শম্নোম উদেদো॥
শীতেল লৈরাং বাসন্তি।
লৈরাং লৈহি চেম্বীনি॥
লাইবক থীদা বাসন্তি।
মাদি অশেংবা লৈরাংনি॥
মাম্বা অনি চাংদম্নবতনি।
ফজবা মাবু লাৎপতনি॥

থম্বোই ক্লেশা

য়েঙ্গিং হল্লে লৈরাং পোম্লে।

লৈনা শংলে লৈরাং শাৎলে॥

পাইরক্লে খোইমু লৈকা তম্না।

লৈকাদা লৈহি চুপকে হায়না॥

লৈরাংগী পুক্লিং শীঙেলগী বাখল।

খঙবিদে উবিদে খোইমুগী হৌনশা॥

লৈকাদা তোংঙ্গ্রে লৈনারক্তা লোংগ্রে।

লাওনে মালী য়েংলো লাওনে॥

লৈরাং খোইমু অনিগী কুমেন্সে।

মিৎ পেম্মদা য়েংলো লাওনে॥

য়েংলম্মোনে নহাকসু নাক্তা কম।

থদ্ম্বাই থম্বোই নংগী থম্বোই।

শেংলো লাওনে মুংশি কিগৈবু।

থম্বাইগী থম্বাই থইরিবা নংবু॥

পুগি পোলোহিমা

খওদ খগুদ [illegible]। মতপনি [illegible]।

মিংডম নিংডমদা [illegible]। অইবং [illegible]॥

তাইবং [illegible] [illegible]। [illegible]দি [illegible]॥

মালং [illegible]। [illegible]। [illegible] জোইবক্কে॥

[illegible] পডম [illegible]। [illegible] [illegible]॥

মিকুপ পুংজা ছাইমদা। পোগাইদি শেংলক্কে॥

অমম্বা কিরেই হোংলনি। পোইবদি য়াপক্কে॥

অমোবা [illegible] শেংলনি। [illegible]পুগী [illegible]॥

মপোক লাংগুন অমনি। কক পাদি যাদেবে॥

ইপোং [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]॥

নংগী যাগী [illegible]। [illegible] [illegible]॥

ইদোম [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]নে।

অশেংবা মল

কাকফৈনা কাপ গুমগুম চৎলি।
য়েংবদা হৈগুম শিংগুমদবা মতৌনি।
শাংনা চৎপা ওয়োইদবগুম উই॥

উচেক্না মশা থম্নগা পাই।
চপ চপ মান্নবা থম্লি।
কুয়না পাইবদা রাগদৌবগুম. থম্লি॥

মীওইবনা খোংথাং কুপ্না থাংই।
খোং ওইগা য়েংকা শিথৈ।
লমশাং চৎপদা চোকথগদবগুম নিংই॥

মীওইবগী পুন্সি খোংচত্তি তেল্লি।
মিকুপ পুংঙাদি হৌখিবা থঙহৌদে।
পাংথোক্কদবা ইথৌম্মা লেমহুনা লৈহোই॥

থজিক্তং থম্মবা মাগী মরলনি।
য়াম্মদনা জন্মবা মাগী খুদোলনি।
হুমিৎ-থা-থবানমিচাকুম ঙাল্লনি॥

মালেম শিবা পুংনা থংলেহৌরম্মি।
বিশ্ব জগৎতি লেংদনা লৈহৌরম্মি।
অহিংবগী অমৃত্তা ওইরবা খোল্লাওনি॥

মপু মাগী নোংদম

নুংশিরুবনা হাল্লুরে বাহং পাওহংলুদে হায়না ।
পুক্লিংগী অনিংবা থম্মোইগী যাথল মাংওইনা ।
চংজরুয়ে নকাদা কোঙলুরে অথাকপা লৈতনা ।
থম্মোই ইরাং ফাঙমদে তায়োম্মরম্লে ওপা ॥
নুংশি নুংশি শোঙরুই পংলবা থম্মোইনা ।
নিংঙমদনা কপহৌরে থম্মোই পিরাং শিম্ভনা ॥
পুন্সি লমথুং মমি শামক্রে কপ্না ।
থম্মোই লাইমন ওইহৌরে থেমজিন্সিগে কয়ম্না ॥
কয়ম্বু নুংশি তেংথারুনি লীরুনি কনাদা ।
নিংবা কায়বগী বাম্বিসে তাবিনি কনানা ॥
অম্লক চাওরবা তাইবঙ্গা ঐবু নুংশিবিবা ।
কয়ম্বু থম্মোকলুনি মপুগী .নোংদম নত্তনা

পলেমগী মচানি উৎলোনে

লিরি হুম্বা মালংবা

শীঙেল লৈচা শেংলম্লে ॥

ইংনা খাবা উপ্লেম্না

লৈরাং লৈনা কুপ্লম্লে ॥

অরুবা নোংদোল লিক্লানা

শীঙেল লৈরাং চামলমলে ॥

অহিং লেম্বা ৱারুবা

খোইমু মিকপ থোরক্লে ॥

নোংদোল কৌহিবা কোরৌনা

মশেক মঙাল য়েল্লক্লে ॥

তাইবং শেম্বা মপুনা

মতিক মঙাল উৎলক্লে ॥

কৈরথিক্তা শোম্বী চৈক্লানা

মপুগী তুম্বু শোল্লক্লে ॥

অঙাং নম্বা ওইঙ্গিবা

খোমেন মিকপ খোক্লোনে ॥

থবীনা কারিঙৈ কাহৌরো

তুমিংলা ৱাংলিঙৈ ৱাংহৌরোনে ॥

পলেমগী কৈরা খাতুম্বা

তাইবং শিঙ্খা পাম্লোনে ॥

মৈতৈ নোংশা অথোবা

পলেমগী মচানি উৎলোনে ॥

নুংশি পান্দম

অংস্তু তুমিন লৈহৌই ঐস্তু তুমিন হলহৌই ।
য়াহৈ নাতৈ কাংলক্কে তুমিন খোইরুম তোহৌই ॥
ঐস্থু মুনা য়েংহৌই থম্মোই ইরাং হৌহৌই ।
ঙ.ইশাক মিকুপ চঙক্লে খল্ল খল্ল মমকই ॥
ঐনা নকাদা চংজবা হৌজ থেঙ্গাং কয়ানি ।
খঙনা খঙনস্থু খঙমন্দে লৈবগে করি হকতি ।
তাওনে য়া'মা হায়গে থম্মোই শেংনা হায়গে ।
নুংশি য়াহৈ অমত্তং অশেংবা য়াবা অমত্তং ॥
মতুনি ঐনা পাম্বদি মতুনি খঙবা পাম্বদি ।
ওইবরা য়াইথুং পন্থুংনবনা নুংশি মাগী পান্দমদি ॥
হায়য়ু নুংশি খঙদ্রবিরা হায়য়ুনে থম্মোই পান্দ্রবিরা ?
খঙলে নহাক্সে লমাম্বনি খঙলে ঐস্থু লল্লানবনি ॥

ভাইবং শিম্বা

ঙরাং পোম্লবা শীঙেলনা
হরাও মোমোন নোল্লক্লে ॥
ঙসি শাংপা লৈরাংনা
কপ্পা হয়েং ঙাইরক্লে ।
কপ্পা নোকপা অনিনা
মচিন মনাওনি উৎলক্লে ॥
অরা নুংঙাই অনিনা
ঙৎন থানযদে তাল্লক্লে ।
ঋতু কাইদা হোংবনা
প্রকৃতিগী খোংচৎনি পাওতাক্লে ॥
মপু মাগী খুশিন্না
ককপা য়াদে ফোংদোক্লে ॥
বিধি মাগী নোংদম্না
চেন্দুনা হিংদে খঙইক্লে ॥
ইথৌ পাংনবা হোৎনবনা
নুংঙাইবা. ঐগী শক্লগে ॥
ভাইবং শিন্থা পাঙবনা
পোকপগী মহৈ য়াল্লগে ॥

জয় জবান

ঙসি ঐনা তুম্মি নুংঙাইনা
মোল্লবা তেরা মোনপাক থক্তা
তাওরি মংলান্দা নুংঙাইবগী ঈপাক্তা ॥

হৌখ্রবা পুন্সিগী তাঙ্কক অমদা
থোকখিবা থৌদোক কয়া নিংশিংতুনা
লুপ্লি মংলান্দা নিংশিংবগী ঈরৈদা ॥

লাক্কদবা পুন্সিগী তাঙ্কক কয়াদনা
ইচাগী ইগুগী নুংশি য়ুংঙনবা
শারি মংলান্দা অশাগী ফুরা ॥

ঐগী পুক্নিং থাথলগী শিংতম্বা
কনানা ঙাক্লিবা কনানা শেল্লিবা
মঙ্গলবু ওইয়ু ভারতকী জবানশা ॥

হোগৎলো তুমহু ভারত বাসীশা
লাওরসি পুম্বা খোঙ্গাং রৈনা
জয়ঃ ভারত, জয়ঃ জবান হাঙ্কনা ॥

লিরি খোইরিবা

লিরি লিরি তাবা নোংনা
থরাই হকচাং অনি ইংনরে ।
লিরি লিরি শিৎপা মালংনা
পুক্লিং রাখল অনি ইংনরে ॥
লিরি খোইরিবা মাগী লীচৎনা
মাগী লৈতেং গুনবু ওইখরে ॥
লিরি খোইরিবা মাগী রাঙাংনা
শুম্মাংলে ডাইবং পুম্বা ডমখরে ॥
লিরি খোইরিবা নুংশি রাঙাংনা
স্বরেৎ শেঙ্গা মমলদি ত্তিংদরে ॥

রুমাল অমগী অরোনবা য়ারী

অংমা পীরকপা খুদোলদো ফজরবা রুমালদো
থুংশিবা মনম চেন্নদো ঙৌরোক ঙৌবদো ॥
থংম্মোই পিরাং শিন্থ্রুকপদা বিদায়গী মতমসিদা
নুজা নংগী পুম্নুম্নবা শাংলবা খুংশাশিংনা ॥
খম্মাল অঙাংবা মান্বা খুবাংগা লোইননা
তৈথোকপিরবদি মিৎলু পিরাংসে নাম্নিরবদি অমুক্তং ॥
কয়াগী মতিক হেনগবা নুশিংবগী চাংদো
কয়াগী মতিক পেঞ্জগবা ঐগী থম্মোইনা ॥
অদুবু লাইবক্নদি তম্নমদ্রমাল্লে য়ারৌনুকো চান্নবী
থাবজনা চান্নবা অহিংদা নংগা ঐগনি ॥
মুংশি পাউখোং চন্নখিবা করম্নবু কাওরসিগে
থাজনা শাক্সি ওইখিবা হৌগ্রবা থোদোকশিংদা ॥
নিংশিং নিংশিং কপ্লরোই মংলান্নি খল্লোকো
কায়নবগী মতম খঙদুনা পীরম্মনি নংনা ॥
অপাম কাদা থুংলোকো চংলোকো নুশিচাওরবী
অপোকপা পলেম পম্থোগী য়াবা তুংইনখ্রোকো ॥
নংনা পীরম্মা খুদোলসিনা বিদায়গী মতমসিদা
মিৎলুদগী শিন্থ্রুকপা পিরাংসে থাম্বা লাক্লুহৌরগে ॥
পিরাং তৈথোকনৌ তমগ্রবোই পীনরকপা খুদোলসে
লঙজখিবা পুম্বা লৈরম্মু ঙাকপিয়ুকো নংনা ॥

কত্তলগী ঊশৈ

তেংনৌমান্বী তদেকপী মোরোবমেৎকী মকপ্রোই
থোংগে য়াইদো ইরোনগে ময়াইদো ॥
লাইর ঐগী লাইর মথেলনি
সিদগী হেন্বা কদাইদগী লৌরুম্নি ॥
পান্মী তমা থাজিনপ্রগা অতুক
মহাক্না কয়াগী ইতেং ওইরিবা ॥
নোংমা যাদোকসু চরা নোংখৈবা
থারগে খল্লে খর য়াম্না ॥
তল্লবসু তম্না মথারগে ঙসিদি
লাইর ঐগী অহাওবা মথেলনি ॥
চিরবা কান্দা ইতেং ওইবিরে
নংতনি ঐগী অশেংবা মরুপ ॥

করিগী নুংশিরুরি করিগী কিরুরি

ঐনা খ্বাইদগী নুংশিজবদি মীনি
ঐনা খ্বাইদগী কিন্তরিবস্থ মীনি ॥
ঐস্থ মীনি নুংশিরুরিবস্থ মীনি
মী ঐনা কিকরিরস্থ মীনি ॥
ঐনা জিব অতৈবুস্থ নুংশি
মরেল ইরোল খঙনদনা নুংশিকবনি ॥
ঐনা শা কৈবুস্থ কিরুরি
ঙন্নমক মখোয়দি শাহিং চাবনি ॥
মীদি মরোল ইরোল খঙনৈ
করিগী ঐনা মীবু নুংশিকরিবা ॥
মীদি শহিং চাবস্থ নত্তে
করিগীনো ঐনা মীবু কিরুরিবা ॥
চুম্মী নিংথৌনা নিংথৌবু নুংশিগদবনি
খঙলে নিংথৌনা নিংথৌবু কিগদবনি ॥

পুন্সি মহাও

নোংমা নোংমা হৌথিবনা মোংফম্লোমদা খোঙ থাংজিন্ননি
শাংলবা পুন্সি লম্বেলনি মোংফম্না অরোইবা পন্থুংনি ॥
লেপ্তনা থাংবা খোঙথাংনা শোইরোই নোংমদি য়োগনি
অঙৌবা ফিরুক খুমহুনা মোংফমদা লৈতাইননা য়াহিপ্পনি ॥
হৌথিবা মতম্সু খল্লুদে অমুক লাক্লরোই নিংশিংলুদে
মায়াগী লাংদ থুরুরে হৌজিক্তদা নাম্থোক্লবা হোৎনরক্লে ॥
অহল মতম্মদি ওইশিল্লক নহাগী পুন্সিনদি তুংওইনরকই
হৌজিকপু ঐবু কপথিগদ্রা নত্রগা ঐবু নোকথিগদ্রা ॥
অঙাং ওইরিঙৈ মতম অঙাং ওইনা মরেলখি
নহা ওইরিঙৈ মতমসু নহা ওইনা মহৌখি ॥
পামদে পামজদে হায়দুনা অহল ওইরক্লনু ময়াবরা
মিকুপ নাহুম খুদিংগী পুন্সি মহাওবু তঙবরা ॥
অমনা অংদগী রাক্তেদো অমনা অমদগী হেন্দেদো
চাঙ্কক অহুমসি পুল্লগা পুন্সিগী মহাও খঙইদো ॥

নিংতম ফিরাল

ছুম্নসন্নু মালংনা পাইরসন্নু নোংদোলদা
নিংতম্না পাইরসন্নু মচুগী ফিরালনা ॥
নিংতম্বা ঙাক্লবা নিংতম্বগী লানফমদা
মাইরোং য়াখি থরাই য়োম্নদা ॥
পাইরিবসে নোংদোলদা মচুগী ফিরালনা
অচম্বদি নত্তেদো নিংতম্বগী ফিরালনি ॥
মালং তাম্বাদা তনিক্লা উরিবা
নিংশিংলুবদা লানফমদো হরাও তুজুংলিবনি ।
নিংতম্বা নিংতম্বগীদমক হিংলিবনি ঐখোয়না
নিংতম্বা মাংবসে থরাই মাঙবনি ॥
মীখা পোন্না লৈকুগদৈ শরুক
শিখিবনা শরুক চামা হেন্ননি ॥
নিংতম্বগী লানফমদা থরাই কৎলিবা
হিংবগী থরাইগা থরাইগা শিন্নবনি ॥
সিগী শৈশক্লরি ছুগী শৈথানরি
লৈগী দোলাইদা চংনা স্বর্গ কাবনি ॥
হন্দক মপোক লাংওন অসিগী
লেংদ মিংচৎ উরোং খিল্লবনি ॥
পুন্য পুন্যনি মহা পুন্যনি
মীওইনা পোকপগী মহৈ য়াল্লবনি ॥
ইরৈবাক্কী খন্দ্রবা মসিবু ঙাকে নিংদ্রবা
অয়ম্বনি মহাক্তো পৃথিবি লুম্নবা হিংবনি ॥

নায়ক নায়িকা

পোকপা শিবগী আয়ত ক্ষেত্রদা
ঐখোয়না হুল্লিরম্ব মরু মরুংনি ॥
পোকপা হায়রবনা অহিংবা উপালনি
শিবা হায়রবনা অকংবা পামেলনি ॥
উপালদুগী মপাল মহৈনা ওইবগুম
থবক্তা পুন্সিগী মপাল মহৈনি ॥
উকংনা তুবগুম নোংমদি লৈতাইনুনি
লাইবক্তা য়েকশ্রবা নোংমদি লাক্কনি ॥
পোকপা শিবা অনিগী কুম্মৈদা
নায়ক নায়িকা ওইনুম্ব য়েংলুরি ॥
য়েংনা য়েংনা ঐখোয়না নোকলুরি
য়াওনা য়াওনুম্ব ঐখোয়না কপলুরি ॥
পোকপা শিবা অনিগী লীলাদা
ইবানি লমলাম্বা নায়ক নায়িকবানি ॥

সাহিত্য লৈকোল

কনাগী মুর্তিনো কনাগী শক্তম্নো
মাংদা উরিবা থম্মোই হুরিবী ॥

করম্বা শাথেক্নো করম্বা তাম্থানো
মাংদা শারিবা জগোই নিংথিবী ॥

কদায়দগী ফিজেৎনো কদোমদগী লৈতেংনো
মাংদা শেৎলিবা ইংনা তথক্রবী ॥

লৈরে ঐস্থু শারে জগোই
তম্লে নত্তৌ অভিনয় নিংথীবী ॥

শুম্মাংলে ঐবু তাওহন্নে মংলান্দদি
পল্লেপফম খংদরে হুস্বিরে মালংনদি ॥

কদাইদা পাইরুম্নি কদাইদা লেপলুনি
কদোমদা চৎলুনি কদোমদগী হুংক্কানি ॥

কোইনা পাইরুসি কোইনা থিরুসি
লৈতি চুপলুস্নি পুক্নিং পেন্নসি ॥

থম্মোই কুঞ্জ পুক্নিং লৈকোল
লৈরাং হেকলুসি নাচোম শেমলুসি ॥

সাহিত্য লৈকোল ওম্লদি য়োরকসি
পলেম্বু থিরুসি ইমা কৌরুসি ॥

ওম্বমথৈ হোৎনসি হোৎনরবদি ওমগনি
ইমানা পিদোম্মা কম্বিগী লৈরুনি ॥

শোম্লসি লৈখোঙ চাইরসি লাইজ
চোংলুম্নি য়েম্মিং শেম্মনি লৈকোল ॥

লৈরাংনা নোক্রনি শ্রীড্রেলনা শাংলনি
মালংনা তাম্থারনি য়েংবদা পেল্লনি ॥

লৈকোলু লৈকোল্লু সাহিত্যগী লৈকোল
লৈকোল য়েংনা ইমানা নোক্লনি ॥

পুন্সি ঈশৈ

শক্লো পুন্সিগী ঈশৈ শক্লো
ফোংলো পুন্সিগী পাওখোং ফোংলো ॥
খঙহল্লো পুন্সিগী অরোন্বা তাহল্লো
হায়রো পুন্সিগী অর্থ হায়রো ॥
পোক্লগা শিবা শিরগনা কদোমদনো
কর্ম্ম করিনো লাইবক্তা করম্বনো ॥
ঈশৈসে তারো পুক্লিং চংনদা
শক্লগে হরাওনা তারো মুংঙাইনা ॥
ঈশৈসে পুন্সিগী শক্লগে 'মাক্তা
কায়রবা স্নুরদা তেল্লবা মিকুপ্তা ॥

লাইবক্তা ইনশিনবা

নিংজবা লৈকোলদা ঐমা
লৈরাং অমা থারম্মী ॥
শীঙেল মপুং ফানবা
লৈরাং লৈখোঙ শোল্লম্মী ॥
নোংমগী মুমিং কাংদনা
প্রেমগী লাইজ খিক্লম্মী ॥
শীঙেল মতৌ উরগা
থম্মোই ঐগী হুরম্মী ॥
লৈরাং লৈওং উৎরগা
ঐগীনি খন্না নুংঙাইহৌরি ॥
শীঙেল নাচোম শেল্লগা
পুন্সি মহৈ য়াল্লনি ॥
অসি ৰাখন্দি খন্দুনা
পুক্লিং ঐদি পোত্থারি ॥
ঐনা নিংবনা অমনি
লাইনা তম্বনা অমনি ॥
থম্মোই ঐগী ফাজিল্লে
পুক্লিং ঐদি ৰাম্মৌদে ॥
কপ্পুহুনা ঐদি কৈদৌনি
ৰাকুহুনা করম্নদি ফংলুনি ॥
নোংদম্বা বিধিনদি তম্লমদে
ঐগী মাগী লাইবক্নি ॥

নংবু থিবদা হোখে পুন্সিসে

নংবু থিবদা হোখ্রে পুন্সিসে
কদাইদা লৈত্তুনা কদোমদা লোৎপনো ॥
পুন্সি অয়ূক য়াহৌ ঙল্লিংঙৈ
নব্রা অঙাং ওইবনা খংহৌদে ॥
কোরৌ নুমিৎ রাংখংলকৈ মিকুপস্তু
পুন্সি ময়াই কাবনা কাওরুরে ॥
হৌজিক্তি পুন্সি নুমিৎ তাগদোরে
নংবু থিরক্লে থরাই রারক্লে ॥
চংজরক্লে পুন্সিগী অরোইবা মিকুপ্সিদা
পীনবিরো চংজফন চান্বিরো নংনাইবু ॥

পুন্সিগী মমল

অৱা মৈশা পোংলুম মরক্তা
কয়া ৱানা ঐনা খাঙলিবা ॥
সনা লুপা মরক্তা য়াওন্না
কয়া নুংঙাইনা নংনা লেল্লিবা ॥
করম্না শেম্লস্বা অস্মুক খেন্ননদি
নংসু মীনি ঐসু মীনি ।
অদুবু লৈরে মরক্তা খেন্নবদি
নং ঐগী পুন্সিদা হৌজিক্তি ॥
অম্যুকসু খল্লু মৈতাম্না ৱাখৈরগা
উংকী মপৈ ওইরগনি নোংমা ।
কনানা শারি মোংফমদা ফুরা
কনানা চাইরি মোংফমদা লৈরাং ।
য়েংউ মতুদসু লৈরেনে খেন্নবদি
শিরগা মান্নরবসু মান্নদেনে নিংশিংবদি ।

তিন্নরুবা সঙ্গ

কোমৌ মণ্ডালনা চাইশিল্লক
মতম্না মুমিদাংরাই ওইশিল্লক
লৈরাং থম্বালনা উমশিল্লক
ভুমহৌদ্রে খোইমুদি পাইথোকচবা
লোংখ্রে লৈরাং লৈকারক্তা
লেনখ্রে ইনুং অদুমা ॥

হেকখ্রে থম্বাল মালীনীনা
ফংজখ্রে লাইগী খুয়াথা
লৈরাংগা সঙ্গ তৌরুবা
লাইবক ফৈদকো খোইমু ওঃ
করম্বা বিধিগী নোংদম্নো.
নোংদম্বা কনাগী খুংশেম্নো ॥

করিগী ঐনা নিংথৌ ওইদনি

তগুপ্না খোক্লিবা থবান মরক্তা
ঐনা কোইচেন চেন্দুনা শান্নবা ফংলবা
করিগী অস্নুক ৱাজকুনি
করিগী অমুক কপচকনি ॥

স্বর্গ লৈরাং পরিজাৎ মরক্তা
ঐনা কেকু লোৎপী শান্নবা ফংলবা
করিবু অমুক পামলুখিনি
করিগী পুক্লিং লাংঙক্লকুনি ॥

লাইরৈবাক্কী নন্দন-কানন পুখ্রিদা
ঐনা ইংলবা লাইঙদা ইরুক্কবা ফংলবা
করম্না খোইরাং খোইশাওরুনি
করিগী থম্মোই ইংলুদনি ॥

মীওই পুম্নমু মালেমদা লৈম্লিবা
ঐ ইতোমতনা করিগুম্বা পেঙ্গলম্বা ওল্লবা
করিগী ঐনা নিংথৌ ওইদনি
করিগী লৈবাক মরা তপ্পুনি ॥

অইবসিং

চাওবীনা হংলকই —
অহান্নগী মপী লাইরিক য়াওবিরিবরা ?
কনাগীনো ?
তোম্বীগীনি ॥
তোম্বীগীদি নৈতেবো, নৈরমগনি থাজ্জদ ।
চৎচরগে অদুদি ॥
অয়োম্বনা হংহৌই —
কনানা ইবনো ?
অরৈবনা খুল্লম্মী —
পিক্লিনা মপ্তাগীনি ।

মরুপ থিবা

ঐনা নংবু মুংশিজরুবা
মংতনা ঐবু মুংশিবিরমদবা
কয়াগী মতিক থেন্নরম্বা ॥

ঙমখৈ লৈত ওন্নরম্বা
ঐগী নংগী রাখল
নংগী ঐগী আশা ॥

লৈরাং ওইনা শাংনিংঙুই
তিঙ্খং মরক্ত কেতুকি
কদাই নংগী থৌজালদি ॥

য়েক্ল কনাবু কিরুদে
কল্লক কনাবু থৌশারুদে
নংতগী আশাতনা হিংলকপনি ॥

পায়রুবা ইখুৎতা নৌরেল
লাম্নবা নুংশি ঈপাকসে
অরেম্বা ওইরবা অরেম্বা ॥

কায়খরে আশা পুম্বা
মুৎখরে মঙালদি ঙম্না
অদুবু ঐদি হিংলি ॥

তারো কনানো মুংশিখঙবা
লাক্লো কনানো থৌজালহৈবা
থিখিগনি ইপাংদি ফংদ্রিফাওবা

লীচৎ শাজৎ

অরাম্বা হায়রবা অসিনা ওইরবদি
মীওইবগী মহৌশাগী লীচৎ অমা ॥
অকাউবা হায়বা অসিমসু ওইরবদি
মীওইবগী থানকত্রবা শাজৎ অমা ॥
কল্লম্দি থোল্লবা থাংশাং পায়রম্লিবনো
করিদগী তুম্লবা কলম শিজিন্নরম্লিরবনো ॥
থাংশাংনা অঙাংবা ঈখেং তাহল্লি
মীওইবগী পুন্সি লম্বখাংদা লোমহল্লি ॥
কলম্না অঙাংবা ঈখেংদি তাহন্দে
অহুবু পুন্সিবুদি লম্বগাংদা কেম্বহল্লি ॥
অশিংবনদি হায়গনি —
অকাউবদগী মীবু থক হাংলুদ্রি ।
মাইচৌনদি হায়গনি —
অরাম্বা হায়বদু থক তৌখিদ্রি ।

নারকী কেতুকী

টেক্সবুক অমা অনিদা য়েংঙগে ।
টেক্সবুক হায়বা, নোটস্সু য়াওরিয়ে ॥
অং টেক্সবুক্কি, নোটস্সু য়াওএবা ।
কনানা ইবনো পুথোকপিরকউ য়েংঙগে ॥
য়াওরি — মরি মঙা শুই ।
টেক্সবুকপু তম্নরিব্রনে, নংবু পাগদ্রনে ?
পাদদি — লাইরিক য়াওদনা তম্মেব্রো ॥
ইহে : ঐখোয়গী অঙাংদি পাদবা ।
কেদনদা লৈ, নংদি কেদ্রিকৈনো ॥
খঙদেদা কেরগবু নম্বর ফংবরা ।
কনা কনানা ইবনো য়েংঙগে ॥
দুকান্দার অহু নোকফেৎ তৌই ।
সুংশিনা য়েংলকই, লাইরিক পীরকই ॥
হায়রকই তপ্পা শোল্লকই মোমোন্নন| —
মৈতৈ নুপী পুম্মাংদি মাংদ্রিবোরে ।
ইরাং চংদ্রবী নুপীমচাস্সু লৈরিবোরে ॥

মংলান্নি থন্না কাওরগে

লোইবী লান্না পাইদুনা
লোইয়ুম্বা কাদা য়োৗগ্রবী
নুংশি নংবু তাবরা
পাখং ঐগী য়াব্রাসে ॥

পন্থৌ য়াথংদি ঙাক
পলেম য়াব্রাদি তুংইন
অপাম নুংশি ব্রাইথুংগ্রবী
নুংশি নংবু তাবরা ॥

মালং নংদি উরক্করা
নুংশি মাদি নোকহোৗবরা
কাইন মৈশাদি লাংহোৗদরা
কপ্পা বৌদায় পীরক্করা ॥

পন্থৌ ঙমসি বাশক্কবা
পলেম ঙমসি তেমশিংনবা
নিংশিং নিংশিং থাঙলগে
মংলান্নি থন্না কাউরগে ॥

পুন্সি হায়বসি শিংনবনি

মীওইবগী মপোক খুদিংদা
পুন্সিনা শিংনদনা তোক্কবনি ॥
পুন্সিনা শিংনরিবা অদুক
ঐনসু পুন্সিবু শিংনবনি ॥
পুন্সিনা ঐবু শিংনরক্লবদা
করিগী হন্না চেল্লুনি ॥
মীওইনা পোক্লগা করম্না
অয়ম্বা শাজৎ চৎকনি ॥
শিংনরকপদু মায়রোং য়াহুনা
নিংহন্নবা নৈতনা লান্থেংননি ॥
লাংওনগী মতিক উৎতুনা
লানঙম ফিরাল থেংকনি ॥

শনি

ঙান্নু মচা চাওনবা য়োকপদা
ক্বাক্লা চেনখিনি শেন্নৌ মহায়দো ॥
শা যন লোইবা মতমদনা
শা কৈনা শোক্তনবা মশেম্নেদো ॥
ঙা মচা য়োকপা মতাংদনা
পোরোম শরেং য়োকমিম্নন্নু মহায়দো ॥
মীনা চৎথোক খোংতোকপা মতমদনা
মী ফত্তে চেকশিল্লু পাওমেম্নেদো ॥
শনি হায়নরিবা শনি কৌমরিবা
শনি হায়বম্মা তোঙাম্না লৈতেদো ॥
মীগী শনিনা মীনা মওইবনি
লাইগী শনিনা লাইনা মওইবনিদো ॥
মশানা মশাবু হঞ্জিন্না চাবনা
ঙসিগী পৃথিবী মশক থীরিদো ॥

স্বপ্নগী

ফি খোংলবা হকচাংনা মিংয়েংগী রাংমদা
কম্নাং খুদিং অমস্তা ওইনা লোংখিবনি।
স্বপ্নগী ফিজেং অমত্তগী য়ুথল মরুমদনি॥

অদুবু ফিজংহু মচেৎ মচেৎ শেগাইদুনা
ভাবকী মিংয়েং খুদিং থংলুবদি ওইথোক্তবনি।
স্বপ্নগী ফিজেং অমত্তনি করম্নস্তু ওইথোকনি॥

পৃথিৱীসিদা লৈরিবা মীয়াম্বু জ্ঞান তাহল্লুবা
অরাইবা থবক নত্তবনি অরাইবা নত্তবনি।
স্বপ্নগী পিল্লবা য়ুম'মগী মথাদতা ওইথোক্কদবনি॥

থম্মোই পোন্দি হাংহৌরে

নিংশিং নিংশিং কপ্পরোই
নিংশিং পাঙ্গল লৈত্রবী
নুংশি মশক খণ্ড্রবী
পেল্লোকো নহাক্কি চান্নবী ॥

ৱারৌ ৱারৌ খাংলরোই
ৱরৌ চাংবী নহাক্কি
নংতগী পেন্ন হোৎনবনি
পেন্নাইদ্রবী নংদি নুংশিবী ॥

খংনিং খংনিং খংজমদরে
নুংশি মশক খণ্ড্রিবী
থম্মোই পন্দ্রবী ওইরম্লে
নুজা মনিং তংজবী ॥

উনিং উনিং উংমদরে
চেংলৌ নংগী নিংথীবী
শক্তা থম্মোইগা মান্নরমদ্রবী
নুংশি লমকেৎ লমহাইবী ॥

পোন্দা য়োকে খল্লুবা
নুংশি শৈরোলনি নিংলুবা
পুম্মনক অরেম্বা তাহৌরে
থম্মোই পোন্দি হাংহৌরে ॥

পুল্লিবদি তাইবংবু নুংশিবা মাতনি

সনা লুপা মনি মুক্তা
অরেম্বনি পূন্নমক অরেম্বনি লোইনমক ॥
ইথন্নগা লাকপনি ইরোমদোম হনখিনি
কনাসু লোইনরক্তে কনাগসু লোইনখিরোই ।
মহৈ লন্দি মৈ ঈশিংনা চংঙমদে
হুরাগনসু হুঙমদে, পীথোক্লবসু হন্থদে ।
মহৈনা অথোইবনি মহৈ-লন্নু তানগনি
মুংনাইদ্রবা নিংচংকী উরোংবু খিনগনি ।
পূন্নমক্কী মথক্তা ধর্ম্মনা লেংদ--মউনি
ঙম্নমক্কী মথক্তা নুংশি-চান্ন লৈবনি ॥
নুংশিবা তম্মু নুংশিম্মু তাইবংবু
নুংশিবতনা থম্মোইবু জয় তৌবনি ।
নুংশিবগী জয়দি মতম পুম্বগীনি
নুংশিবা মাতনা তাইবংবু ঙাকপনি ॥
পিক্লবদি নুংশিগী উইরবা লংলানি
পুল্লিবদি তাইবংবু নুংশিবা মাতনি ॥

হিংবগী লম্বী

য়েংবা কল্লু হৈগনি।
হোৎনবা কল্লু মুংঙাইহনি॥
খাঙবা কল্লু ঙমগনি।
তুংশিন্বা কল্লু খুনগনি॥
হংবা কল্লু খঙগনি।
খঙবদা কান্নদুবা লৈল্লতবনি॥
তম্বদা হৈন্নিংনা তমগনি।
তম্বদা কান্নদবা য়াওদবনি॥
মফম্ মতম নাইগনি।
অয়া য়াদ খায়গনি॥
অফ্ল ফত্ত থিগনি।
শুবদা কল্লু হিংগনি॥
শুদনা মুংঙাইবা পাম্লদি
চাদনা হিংবা তমগনি॥

কনানা কনাবু খঙলিবগে

ঐ মঙাইরে খঙলিবা
থোয়রিবা নংবু কনানো
পংনা পান্নরি খন্নরা
খ্বাইদগী খঙদবদি নহাক্নি ॥

পল্লেম্ফম খঙদবা পুন্সিনা
খঙদববু খঙবা হৌনদে
সুপ্তগী খরদি মখঙই
মহাক্কী অশিংবা পাওখুম্নি ॥

কনানা যত্তে হায়নসনু
কনানা কৈন্থ সোন্নসনু
অমনা শিংই থাগৎসনু
অতোপ্পনা পংই চৈজসনু ॥

পুন্নমক্কী মথক্তা লমচৎনা
মীওইবগী তংন থানফদ্রবা
তাইবংগী মনাংপু ওইরবা
লমচৎপু কনানা খঙবগে ॥

হৌজিক ফাওবদা জগৎসি
থিবগী লোইবা নাইদরি
ঐদি ঐতনা খঙগদবনি
খঙলিবা অদুস্থ খরতনি ॥

মীওইবগী আশা

খা-ৱাংগী উনগী লৈবাক
কয়ামুক ইংবগে হায়বত্নু য়েংনিংই।
য়েংনিংলুবগী ৱাদনি লৈবমক্তি লৈনিংউদে॥

শারবা লৈকংলা লৈঙোইগী লমপাক
কয়ামুক শাবগে হায়বত্নু খঙনিংই।
খঙনিংলুবগী ৱাদনি পুন্সিমক্তি লেন্নিংউদে।

হিংচাবনা মী শেৎতুনা চাবা
করম তৌবা জাৎনো উনিংই।
উনিংলুবগী ৱাদনি ঐমকপুদি চাহন্নিংদে।

অথুন অহাও চাদুনা লেন্নিংই
নুংঙাই য়াইফ ইংনা পান্নিংই।
মিংচৎকী উরোং খিন্নিংদবস্নু নত্তে।

পৃথিবীগী অরোনবা

খ্বাইদগী ফবদুগী পুন্সিবু পুন্সি কৌরম্লবদি ফরমগনি ।
খ্বাইদগী ফত্তবদুগী পুন্সিবুনা পুন্সি কৌরনদ্রবসু ফরমগনি
অচৌবা লুচিংবা ইনাকখুন্না মীগী পুন্সি লৈ ।
অপিকপা অযম্বা লাইরবা মীগী পুন্সি লৈ ॥
তিন কাং কৌজেং হারোগীসু লৈ পুন্সি ।
পেকপদগী শিবা ফাওবগী অতেন্না লপ্লেলদুনি পুন্সি ॥
পোকপা খুত্তবা ঙমদে শিবা তম্বা ঙমদে।
অনিগী অপুন্বা মায়াগী পুন্সিনি খুত্তবা ঙমদে ॥
খত্তদবা পুন্সিনা খত্তদবা পুন্সিগী ব্বারী ইরি ।
খত্তদবা পুন্সিনা খত্তদবা পুন্সিবু খত্তনবা থিরি ॥
পুন্সি ! পুন্সি ব্বারী ইবা ঙন্নবা হোৎনরুরে ।
কোক চাওরে, চাওরবদা পৃথিবীসে উংলি খত্তলক্লে ॥
খুদাপ ফাদ্রবা অউংবা পৃথিবীদা কন্না কোল্লুরে ।
পায়না কোন্নসু তাথ্রগদৌগুম পাইথ্রগদৌগুন ঙিংলক্লে ॥
পৃথিবীনা উংলিবসি লেপথোবা মিকুপমদি, লেপত্রিবনা করিগীনো
পৃথিবীনা উংলি তায়বসি হান্ননা খত্তহল্লমদ্রিবনা করিগীনো ॥

মী মখল

মোংদোল লাইরাম খিবিক
মালেম মী ঐখোয়
মরক হিংচা য়াইতম ॥

মী মরক্তা হিংচাবা
মালেম খর নমথরক্লে
মরক কুমথবা হৌরে ॥

মী মরক্তা লাইপোক
মালেম খর হাংখৎলক্লে
নোংদোল খুৎনা ফংলে ॥

খঙনিংই য়েংনিংই তানিংই

ঐখোয়না ঙা চাই।
ঙানা মরোল থোক্লম্লবা
খঙনিংই করি হায়রকপা।

ঐখোয়না শঙ্গোম থকই।
শন্নাওনা মীরোল থোক্লম্লবা
য়েংনিংই করি লোল্লকপা।

ঐখোয়না লৈ হেকই।
লৈনা ঙাংবা ঙম্লম্লবা
তানিংই করি ঙাংলকপা।

অরোনবা লম্চৎ

লূ অমগী মনুংদা লূ অমা লৈরম্মীনে ।
বা অমগী মনুংদা বা অমা লৈরম্মীনে ॥
সুংশিবা অমগী মনুংদা সুংশিবা অমা লোৎলম্মীনে ।
অখঙবা অমগী মনুংদা অখঙবা অমা লোৎলম্মীনে ॥
অহৈবা অমগী মনুংদা অহৈবা অমা থোক্লকইনে ।
খঙদবা অমগী মনুংদা খঙদবা অমা থোক্লকইনে ॥
ঐনা নংবু খঙজদে নংনা মাবু খঙবিদেনে ।
ম'না ঐবু খঙবিদে মাদা নংবু খঙবিদেনে ॥

ভাবোক অমগী মিৎয়েং

ঙুংশিরবা ঈশৈ অমা শকখি
ভাবোক্কা মীগী সমুদ্র ওইখি।
কালাকার ঊখিত্রে ঈশৈদমক মতাখি
মমৈদা ক্ষারোকপু য়েংবা য়াওরকখি।
নোং তাররকখি ইনিল নিল্লকখি
মীগী কোল্লোল ঙাই তাকখি।
ঈশৈবু পামজবা কলাবু ঙুংশিজবা
কদাই চংখ্রবা কদোম পাংখ্রবা।
নিংথিবা সুরগী ঙুংশিবা শৈহেক্তা
শকহৌরি ঈশৈদি, তাম্থাহৌরি নোংনা।

সমাজ

মিং অনিনি নামা উইশিল্লু।
নাকোং অনিনি নামা মেনশিল্লু।
খুৎ অনিনি নামা হাইরুন্নু॥
খোঙ অনিনি নামা থাংলুন্নু॥
নুপী নুপা নামা শেংনৌ।
করিদি ওইফম খোকপগে খল্লু।
মীগী খল্লু পৃথিবীগী য়েংউ
হিংবদা চংবা করিনো য়েংউ॥

কংলবা শেবোৎ

পারবা মকুনা য়োম্লবা কুম্নাংবানগী শক্তম
মকুগী মন্নুংদা মশিঙনা মরোল মরোল ॥
মশিংদুগী মন্নুংদা মরুনা তোঙান তোঙান
মকুদু হেক কায়খিবগা মচোই মচোই ॥
তাইশিন্নগা য়াদ্রবা কোঙ্গোল শঙ্গু শঙ্গু
কুম্নাংবান্দা ঙাইরবা মীওইবগী হকচাং পোলাং ॥
তঙ তাদ্রবা চমম্নরবা রাখল চবুল চবুল
মমী শাম্লবা মীওইবগী থরাই মিরেল ॥
মতমগী চাউখৎলবা খোংথাংগী চীংলোন মাপল
য়াম্লি কংলবা শেবোৎতুদি খুইরবা মরীত্তুদা ॥

ময়েক অমা

উবগা উদবগা খেন্নরিবসি
স্নুপ্নগী ময়েক অমত্তনি ॥
হ'দুবগা খঙদবগা মান্নদ্রিবস্নু
স্নুপ্নগী মহেক অমত্তংনি ॥
ময়েক অমনা কাপ্পহন্বনি
ময়েক অমনা মাংহন্বনি ॥
ময়েক্কুনা মী ওইরম্লবদি
ইমুংদু করি ওইরমগনি ॥
ইমুংদু সমাজদুদা লৈরিবনি
মালেমসিগী মন্নুং চল্লিবনি ॥
ময়েক চুম্না শিঙ্গিল্লবা
এখোয় তম্বা তাবনি ॥

চাউখৎপা

স্বর্গ কাকবা কনানো
নরক তাববা কনানো ॥
য়োবদ্রিবদু য়োরুবগুম ইনরি
উরুদ্রিবদু উকবগুম লীনরি ।
ভাবকী দলাল শাম্নিবনি
নত্রাদি মী ওইরোইদোবনি ॥
কল্পনা মশা পাহল্লম্বনি
কল্পনাদু থবক্তা ওন্থোকপতনি ॥
চাওখৎপদু করিনো থিগনি
মপুং হুঞ্জিন্না খনগনি ॥
মীৎকি কুম্মে অরেম্বনি
ফিজেৎ চাকচা অরাইবনি ।
চাওখৎপদু থম্মোইদা লৈবনি
মীওইবগী থম্মোইদা লোৎলিবনি ॥

অনৌবা আশা

শারবা কালেনগী মৈশা খাঙবদা
কেম্লবা লৈম্নাংগী পুন্সি চৈনানি ॥
কল্লবা নুংশিগী মৈচাক খাঙবদা
কেম্লবা ঐগী পুন্সি লৈরাংনি ॥
থারবা রাকচিংগী উল্লেন লাক্লগা
লৈরাংগী মৈচাক থোইনদুম হেন্বনি ॥
কেনথ্রবা লৈখোক্তগী বসন্তনা লাক্লগা
অনৌবা য়েন্নংদা লৈরাং শাৎলখিনি
ঐগী পুন্সি বসন্তসু লাক্লগা
নুংশি লাইজ ঈরিক খিক্লখিনি ॥

মঙাল ফংন্দ্রবা কা অমা

ঙাল্লম্বা মঙাল অদু চংখ্রে
কা অদু পুম্মম মঙ্খোরে
পাংলিবা মিংনা করিস্তু উদ্রে
থাখলস্তু খন্না মম্বা হোৎরক্লে
ইশানা ইশাবু লৈরিবরা চিংনরক্লে
কোক্তুগী খোঙফাওবা ঐনা নান্থরুরে
ঐনি হায়বা লৌশিং লাক্লে ।
অঙাম্বা সমাজ অসিদা লৈরিবা
মিংনা উনা উনা উদবা
মানা তানা তানা তাদবা
থাখল লৈনা লৈনা খন্থদবা
অচুম অরান বিচার লৈত্রবা
মঙাল ফংদবা কা অতুগা
করি খেন্নরিবা করিদা খেন্নরিবা ॥

হৌজিক্কী আইন অমসুং নিয়ম

পুলিসনা মী খর ফারগা পুখি।
মরমদি কংলা পার্কতগী ওা ফারুবগীনি ॥
মীয়াম্না য়েংনহৌই শোন্নহৌই — চুম্মী, চুম্মী।
য়াদে হায়রমক্তদা করিগী ফাক্করিবগেদো ॥
থাদোরক্লে মখোয়বু বিচার লোইশং য়োরগদি।
মরমদি ওাদি পার্কতা লৈতে — পুখ্রিদনি ॥
মাগী নুপীদি মমানি — ব্যাকরণ লান্দে।
অর্থ চেন্না ৱাওাংনি — ৱাহন্দোক য়াম্মী ॥
হন্দোক্তুনা লোৌগদৌরিবদি নংনি, মানি, ঐনি।
ঐখোয় করম্না আইন্দা, নিয়মদা তিংসিগে ??

হুরানবগী থবক

লেংলি পাল্লিবা তাইবং পান্বদা
জীব পুন্নমক অচং - চৎত
শেম্বি শাবিবনি ইবুংঙো মাতনা
মহাক্কী মরলনি মহাক্কী খুংশেম্মি ।
মহাক্কী মচাক মরলবু অশেংবা
হুরাল্লগা ঐমা তুমিন লোম্না
কংলুবদা অমুক ইবুংঙো মঙোন্দা
পেন্নিংদ্রা ঐবু ইবুংগো মহাক্লা ।

থবক

করম করম তৌবিরিবগে —

থবক ফংদবনা ওঝা অনা তেক তেক ওইজরি ॥

করম করম লেম্বিরিবগে —

থবক ফংদবনা তুকান অমা তেক তেক ফমজরি ॥

করম করম পাম্বিরিবগে —

থবক ফংদবনা তেক্রি অমা তেক তেক থৌজরি ॥

করম করম তাদবু —

ইবুংগো থবক ফংদবনিনা ঠিকা তেক তেক তৌজরি ॥

করম করম ইনাওবু —

তাদা থবক ফংদবসিদা হিংনবা উ-শুবা চৎচরি ॥

করম করম ইবুংগোদি —

থবক্লা ফংনদবসিদা হিংদদি মাদবনা হাঞ্জিরা চৎচরি ॥

করম করম অদোমবু —

ঐবুরা মরুপ ! ওফিসতা থবক অমা অহুক তৌজরি ॥

হোৎলসি ফিমন

মশানা মশাবু খঙদবনা
অচাওরম হান্না তান্বনি ॥
থবক ফংদবা নত্তে
কেরানীগী থবক ফংদবনি ॥
থবক করিনো খঙদবনা
থবক চিলহাও থিবনি ।
থবক ফংদে কপলিবা
অরেম্বা মাগী পিরাংনি ॥
হুন্দোকখ্রো থাইনগী ফিমন
কাওথোকখ্রো ফিরিংজিগী মন্ত্র ॥

থুপ্পা লৈবা লমচৎ অমা

মীওইবনা ন্নারগা কপই
মীওইবনা হরাওরগা নোকই ॥
কপ্পুবা মীবু য়াওবরা
নোক্কুবা মীবু লৈব্রা ??
মীওইবনা ইংনা হিংনিংই
মীওইবনা নুংঙাইনা পাম্নিংই ॥
ইংনা পাম্নিংদববু য়াওরিব্রা
নুংঙাইনিংদবা মীবু লৈরিব্রা ??
চেন্দুনা হিংলোই খড়লবা
শিবা চংবগী লানফম্নি ॥
পুম্নমক থোনা ফরকই
তিং শোক্না লাওরকই ॥
নোংমদা পোকপা মচানা
নিনি শিবা হৌনদে ॥
শিনিংবা মীবু য়াওরিব্রা
হিংনিংদবা মীবু লৈরিব্রা ??

খোইমুপ্পী পাওমেন

থম্মোই পান্দে খনলুনু
নুংশি খঙদে নিংলুনু
থোজাল হৈতে লোরুনু ॥
খোইমু এগী ইরমচং
করিগী তাথি তাওইনবিরি ?
লৈরাং ওইবী তারিবরা
করিগী ইচুবু পাওথোকপিরি
অঙৌবা খোইমুবু লৈবরা ??
তারোনে ইশানৌ নহাকপু
লৈরাং ওইবী নহাক্লা
লৈহি করম চেল্লম্লিবা ??
লৈরাংনা লৈহি চেল্লমদ্রবা
লৈহি পাম্বা খোইমুনা
লৈহি চুপকে লাকদ্রা ??
শাগপ তুফাং য়ৈনা
করম 'নাক্তা পাইরক্কনি
নিংশিংদ্রবা মপুগী থুংশেম্বু ?'

চিনার

চিনার পাল্লি চিনার চাওথংলকই ।
চিনার মুল্লি চিনার চেখাইরকই ॥
মৈত্রবাক্কী বিধান সভা শেমগংলকই ।
চিনার অমুম্বগুম মতোমতা চেখাইরকই ॥
চিনারগীদি লুংশিবা মমম কাওরকই ।
তিঙ্গুং খলাংই চানিংবা পোক্লকই ॥
বিধান সভা কায়বদি হরাওদে
ঐখোয় ইকাইজৈ পুক্লিং লৈতাদে ॥

থৱাই পানবনা পান্দববু থাজবা

নোক্লিংবা ৱানি কপ্লিংবা ৱাচন্নি।
হৌগ্রবা ইতিহাস হৌজিকী ইতিগাস।
লাক্কদোরিবা ইতিহাস কদোম থোক্লগদৌদ্রিবনো'
থৱাই পান্নবা পান্দববু অস্নুক থাজবা।
থৱাই পান্দবনা শিনখ্রে থবক খুদিংমক।
করিগী পুথোক্লম্লিবা করিগী পুথোক্কদোরিবা?
চাওখৎপগী পান্দমলা চাওথবগী খুদমলা?
পাউখুমদুস্নু ঐথোয়না পীজবা তাই!!

— ·

পাওখোং

তাম্নবা লৌবুক হাংলবা অতিয়া
নিংঙাইবা লৈতনা অবেপ্পা লৈতনা
পাইবি লৈচিলনা মাইকৈ খঙদনা
কনাবু থিরি কনাবু যেংলি ??

তপথদ্রবা থম্মোই লৈতাদ্রবা পুক্নিং
তথক্লবা মিৎযেং মোমোম্নবা মিনোক
শাংলি লৈরাংনা লৈকা ফন্নদা
কনাবু উত্নুনা করিগী নোকপনো ??

লৈচিলগুম মাইকৈ খঙদনা পাইরসিরা
লৈরাংগুম মাইথোং মোমেন নোক্লসিরা
ঐস্নু লাক্লম্বগী তাইবং মাক্লেমসিদা
পুন্সিগী পাওখোং অমত্তং চল্লনসিরা ??

পামজবা

তেল্লবা পুন্সিদা মহাক লুহোংলম্মী ।
মচা পোক্লম্মী শাগৈ শেয়ম্মী ॥
মহাক্কী সংসার অমা শাগৎলম্মী ।
পাইনিংবা পাইরম্মী চৎনিংবা চৎলম্মী ॥
য়েনিংবা য়োরম্মী মনিং তম্লম্মী ।
পোক্লগা হিংলম্বগী মথৌ পাংথোক্লম্মী ॥
মিকুপ অমত্তং অম্মুম্না হিংলম্মী ।
পামজবা মৈরিদা চোংশিল্লগা শিখিরম্মী ॥
শিখিবা হায়রবু পাওখোং চল্লম্বনি ।
পুন্সি হায়বদো মসিনি, পুন্সিনি ॥

মুকথ্রবী

থায়নদগী লেপ্তুনা চুরম্পা নোংদু হাংখি।
মুকথ্রবী ময়াম অহাংবা মালংদা পাইখি॥
ক্লাক্লা তাপ তাপ লাকঅগা চাখি।
চরোইস্থু শেংথ শেংথ হৈনজবা ওইখি॥
হৎোইস্থু লৈমাইদা তপ্পা ময়ামগী তুংইনখি।
ময়াং ক্লাক্ষী অপেন্বা হায়বত্থু ওইখি॥
চরোইস্থু নোইরপ ক্লাক্ষী মতৌ মানখি।
হৎোই বোরোবী লেংঙম শাঙমদনা চোংখি॥
লেপলুরবা নোংত্থু তপ্পা তপ্পা চুরকখি।
মালেম লৈমস্থু হরাও মোমোন নোকচখি॥

লৈচিল্লোন

অঙৌবা লৈচিল নোংচুপকী
পামহিদ্রা নংগী সভাত্তা
ফিরিংজি লম্লো পেল্লেনে ॥

তপান্না লৈচিল নোংপোক্কী
ইপা ইপুশিং কমদৌহৈরি
ঙুংশিবা মপাউ তানিংদেনে।

অঙাংবা লৈচিল অবাংগী
লৈহাও খুদোল তল্লকপা
নাচোম লৈমন চল্লেনে ॥

অম্বা লৈচিল খা-গী
চিরোল তৌবা লাকপরা
লৈনম কুয়রোই হল্লোনে ॥

পোত্তৌব মৈতৈ লৈবাক্তা
পাইহিরবা লৈচিল মৈপদি
নিংতম ফিরাল শকপনি ॥

পুক্লিংগী অরেপ্পা ফিভম

ৱাই কৌবদা হায়বরোই
অসুম মখাংলগে লেংলবোই ॥
তাইবং লীলা যেংলকপা
পোলোইহু ফাওদি য়েংখিগে ।
পুন্সিগী ৱারীসু লীররোই
থম্মোইদা লীদুনা থমথ্রগে ॥
থেংকপা গোকঅসনু কৈদৌদে
মাইরোং য়ানা লেপ্লগে ॥
পুন্সিবু কিহুনা হনখিবা
মাইথিবা লানমীদি ওইররোই ।

লৈ-ই অমগী ৱাংমদা

থাবলনা ঈপোম হৌবদা
ৱাখলনা ঈপক হৌবদা
ইচিক হুম্নবা অহিংদা
অচিকপনা তাশোন ওইরকই ॥

লমদম তাম্নবা অথাপ্পদা
তাওবা হুইখোল তাবদা
য়েনগী য়েনখোং তাবদা
তামগ্রবী মাবু নিংশিংলকই ।

কুপফেৎপা থৱালগী মিৎয়েং
তপ্নবা মালংগী ঈহুল
ইংলবা থাজগী মাইথোং
নিংথৌবী মাইথোংদো উরকই ।

কদাই মাদি ওসি
লৈ-ই অমগী ৱংমদা
ঐগী থম্মোই হুদুনা
মতম কুয়নগী লোৎগ্রবোই ॥

চিক্লা

অপাম নুংশি ঈচেলদা কাওশিং ওইনা তাংকুবে ।
কল্লক মিহৌ ঈরৈদা ইগন ইশাবু থাওকতে ॥
অযক যেন্দা অঙন্না ভনৌবা চাক্লা থেগম্মী ।
কোরৌ নোংদোল তমনা আশা মযোল চেংলম্মী ॥
ঙশিং মচা মহাকপু মিংকত্তুনা ইনশোল তমনুবে ।
উনা মশোং লৈরবু লৈম চাদি ওইরম্মে ॥
অখা অথুম অযাক অশিন্দা পুন্সি চাংগেংনিংনম্মী ।
কোবৌ পায়খিবা খঙহৌদে নোংচুপ চীঙ্গাং পরম্মা ॥
লিরি হুম্না মালংনা পরিং অসি ইংখল্লে ।
তাম্নবা লৌবুক লম্মাংনা মপুগী খোন্থাং নৈরবে ॥
পুন্সি মশক খঙলকৈ ইশানা ইশাবু নিংশিংনকচনি
নাংগী লম্বী তেলম্মী ভুংগী লম্বী শাংলম্মী ॥
কোরৌ মানা চাযখিবা অঙান মশেক লোযনখি ।
পুন্সি লৈমন চনখিবা লৈনম্মা মালংদা চিনখিনি ॥

থুমগী ৱাংখৈদা ৭৭

সাহিত্যগী চৈথে

শুন্য অমা অনি অসুম্না মপল ফাওবদনি ।
অরেপ্পা মশিংদা অতোপ্পা মশিংগী দরকার লৈত্রে ॥
ময়েক খর অসিদনা শেম্লিংবা শেম্বা য়াথ্রে ॥
ওন্থাং ওনশিন তৌরগা ওইহন্মিংবা ওইনা য়াথ্রে ॥
হঞ্জিন হঞ্জিন ইরগস্তু চেবাং অমা হনগনি ॥
ইগে হাযনা ইরবদি পাবদা চোকথগদ্রা থল্লি ।
অরেপ্পা ময়েক্কগীসু লাকওমদ্রবা ৱাংথৈগী য়েম্লিং চোংলকই ॥
মশিং লাকওমদ্রবা য়েম্লিংহুদগী কলপ্পাগী মশা পাল্লকই ।
কলপ্পাগী মশা অহুনা সাহিত্য হায়বহু ওইরকই ।
সাহিত্যগী চৈথে অম, চিংনবা হোৎনরুবা অংবমনি ॥

নুংশি মৈচাক

বাকচিংগী তাংলো লৈনা থেংবা অহিংদা
খাবা উল্লেন পুবা নুংশিংনা শিংপদা।
উনাগী ছমাইনা মালং ইচিক থেমলিবা
নদোম তুমিন কমদুনা কনাবু ঙাইরিবা॥
অউবা অমনা উরগা ঙাওইদি হায়রনি
চংলোবা য়ুনদা ইনুং য়াহিপ তমলুরো॥
ঐবু ঙাওই হায়সনু খঙদবনা হায়বনি
নুংশি মৈনা চাকপদি অচম্বদি নত্তেদো।
ইচিক হুম্বা তাংলো মাখা থেংলগা
খাবা উল্লেন মরিক্কা মৈচম ওইরগা।
উল্লেন পুবা মালংনা মৈরি ওইদুনা
থনুং খোঙ্গা চাক্লিবা নুংশি মৈচাক্কি॥

সুরগী ৰাংমদা

চাংজৌ নাইদ্রবা ৰাখলগী ঈপাক্তা ঈৰাক্লুৰে ঈৰাক্লুৰে।
শক্লাইদ্রবা কনাগী কল্লবা ৰাখলগী ঈথিলনো ঈথিলনো॥
মেংলবা বীনাগী শৈহেক্তা সুংশি হায়না শৈঙংলম্বনি।
সুংশিবা শৈঙংদুদা থাজরুবনা অৰৈবা লোইনা কথোক্লুবনি॥
হৌজিক্লা কৰি ওইৰবা, স্বৰগা তালগদি থ'প্নৰে।
খল্লম্মী মতম অমদদি, স্বৰগা তালগা থানৰোই।
সুংশিবা শুৰ, নিংথিবা তাল, ঈশৈগীদি মৰুপ্নি।
তংলবা তাৰদু লৈমাইদা, নিংবা কায়না তাহৌৰি॥
নিংঙমদনা লোথংলগা তাৰদু, থম্মোই বীনাদা তিংলুৰি।
নিংথিবা স্বৰগী শৈহেক্তা, সুংশি সুংশিনা খোংলুৰি॥
সুংশি হায়বদা মঙাইৰে, সুংশিবা থৰাইদি য়াওৰমদ্রে।
তংলুৰবা বীনাগী তাৰদগী, সুংশিবা শৈহেক্তি খোৰকখিদ্রে॥

নুমিৎ অমসুং থা

নহালমথৈ নংগা মাগা তিন্নরকই
মানা নংগীদমক লেংদবা লেপ্লকই
নংসু মাগীদমক মাইরোং য়ারকই ॥

কৈদৌরবা হৌজিক্তি নংবু থাজদ্রবা
নংনা চস্না থবক্তি কাওরবা
অতুনা মানা নংবু তান্নবিরমদ্রবা ॥

মরুপকি মফমদা মরুপ্না থাজরক্রবা
মরুপ্না মরুপ্তি খন্দবা ভারক্রবা
অছু ওইরবদি পুম্নমক অয়েংবা ॥

ইংলবা থাবল নুমিৎকী মঙাল
থাশিগী অহিং কদোমদা মঙাল
লৌশিং চাওবা মীওইবগী রাখল ॥

মপু নিংবা হুই

শিংথানৈ হুইদি মপু নিংবনি
ইন্নি মপুনা হেক গৌজিল্লিমথৈ
খঙদবমি মপুগী য়াথংতুদা অফ-ফত্ত
লৈজদবনি অচুম অরানগী রাখল।

অতুনা অফ ফত্ত খঙদনা
অচুম অৱানগী রাখল য়াওদনা
মীতোপ্পা হায়বা ইন্না মীবুস্থু
কৌনৈ মপু নিংবা হুইনি॥

অদুবু মপু নিংবা হুইনা
মপুদা ওনশিন্দুনা চিকপা য়াওনরে
মপু নিংবা হায়বদু অসিরা
হুই লোইবগী কান্নবদু অসিরা।

হুইদি হুইনি শাদি শানি
অদুবু মীনা শাবু লোইনরি
তাইবং মীনা শাগা লোইনবা
অশিংবা তাইবং মীগী মতৌরা॥

নত্রবদি মীনা শা ওল্লকপা
ওনলকপা শাদুবু মীওইবনা তুক্কচবা
অশেংবা শাবুনা মীওইবনা লোইনবা
করি অর্থনো করি কান্নবনো।

চিন্তা অমসুং চিতা

পান্মুবা —

পান্মু নহাক্কী বাখলদা
চিন্তা পোংলুম পুহোরে।
চিন্তাগী মৈরিনা চাকপদি
থম্মোই লাইমন ওইহোরে।

নুংশিবা —

চিতাগী নৈরৌনা রায়বদি
উৎকি মপৈ ওইহোরে।
অহুমদি ওইরগা নুংশিবা
নুংশিবা লৈনমদি লৈহোরে।

লাইরৈবাক্কগী হল্লক্পা

তগুপ তরেং থোক্লিবা
থরান মিচাক মরক্তা
কে-কু লোৎপী শান্নরুগে
থরান নৈরাং হেকল্লুগে ॥

স্বর্গগী লৈকেল নিংথবা
লৈরাং পারিজাৎ মরক্তা
কোইনা চোংনা শান্নরুগে
পারিজাৎ পরেং লেংলুগে ॥

লাইরৈবাকী পুখ্রি ফজবা
থরো থম্বাল শাৎলিবা
ইংলবা লাইজদা ইরুরক্কে
থরো থম্বাল হেক্লক্কে ॥

শজিক মতুং ইনথ্রবী
থবা মমৈ ৰাহত্রবা
মরুপ মপাং ভম্বরক্কে
নুংশ ৰাৰী শারক্কে ॥

থরান নৈরাং চাইরগে
পারিজাৎ পরেং হুল্লগে
থরো থম্বাল খুদোল্লগে
নুংশ ৰাৰী তল্লগে ॥

পুকথেম নাওথেম দা

অরংবা ঈপাক ঈয়াইনা
ঈথক ঈপোমগা লোইননা
থম্মোই ইংনবা কুমথরক্লো হায়রক্লে ॥

অশংবা উনাগী খুৎহৎনা
ঐবু লাকলো কৌরক্লে
হরাও তয়াম্না লেল্লু তম্‌ক্লে ।

লিরি মালং পাউজেলনা
থম্মোইদা খোন্থাং যৈরক্লে
মিচং মিথাই নাইনু প উমেল্লক্লে ।

ঝাং চাউরবা লোইবীনা
থম্মোই ফাজিন ঝাইদা
লেংগনু খাংবা কল্লু পুকগেয়্রক্লে ।




নহাক্লি ঙক্লিবদি নহাক্লি মপুদি

চীংজাও যুকপগী পাঙ্গল লৈরিবা
কল্লব। শাফুদো মালেমদা খোঙনেংনরি।
মালেম্দু ভুমদোকখ্রদোগুম শিংলিবা নুংশিং
পৃথিবি মাদি লেংদনা মরৈহেই॥

কল্লবা নোংজুগী কংবা শ'ফু
মালেম লৈনা মহাক্লা মাযোক্লরি।
লেপ্পা নাইদনা উংতুনা চংলিবা
চাং নাইবা অখাং-কন্বগী খোঙচৎনি॥

মালেম অসিমক গ্রহ অমনি
গ্রহশিংবু থৌদা পীরিবদি নুমিৎনি।
সৌরজগৎপু শেম্বিরিবা শকউদবা নহারুনি
নহাক্লি ঙক্লিবদি নহাক্লি মপুদি॥



অইবগী ফোংলবা —

১। লতাগী অউনপোৎ (উপন্যাস) - ১৯৬৭

২। স্নুরগী ৱাংমদা (শৈরেং) - ১৯৮৩